## গভর্নমেন্ট রিজাইন তৌনবা দিমান্দ তৌখ্রে

বৈরুট, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি) :
লেবননগী শেল-থুমগী ক্রাইসিসকী মতাংদা পোলিটিকেল এলিটপু মরাল শীরদুনা মীয়াম্না লৈবাক শীন-থুংনা চঙশিল্লকখিবা প্রোটেষ্টকী খোঙজংশিং নুমিৎ নিনি শুজিনখিবগা লোয়ননা ইরাই নুমিত্তা মেরোনাইট খৃষ্টিয়ান লেবানিজ ফোর্সেস পার্টিগী মকোক্না গভর্নমেন্টতা রিজাইন তৌনবা তকশিনখ্রে।

অসিগুম্বা লেবননগী লুরবা তানফম অসিদা প্রাইম মিনিষ্টর সাদ অল-হরিরিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ওফর তৌবা ঙমগদবা খ্বাইদগী ফরবা খোঙথাংদি মহাক্কী গভর্নমেন্ট রিজাইন তৌদুনা শেল-থুমগী ফিভম ফগৎহনবা ঙমগদবা পুমনৌ নৌবা গভর্নমেন্ট অমা শেম্বগী খুদোংচাবা পীবনি হায়না সামির গিগিনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

## কনফার্ম তৌখ্রে

ব্রাসেলজ, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি) :
ক্রিষ্টাইন লগর্দনা য়ুরোপিয়ন সেন্ট্রেল বেঙ্ককী অনৌবা চীফ ওইনা নবেম্বর ১ দগী ওফিস পায়বা হৌরগনি হায়বসি ঈ য়ুগী লিদরশিংনা ইরাই নুমিত্তা কনফার্ম তৌখ্রে।

# নোর্থ ইষ্ট সিরিয়াদা নুমিৎ মঙানিগী সীজফায়র চৎনবা হৌখ্রবসু সেল কাপ্পদি লেপত্রি



অঙ্কারা, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি) :
টর্কি অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা নুমিৎ মঙানি সীজফায়র চৎনহন্নবগী ৱাফম য়ানখ্রবসু ইরাই নুমিৎকী অয়ুক্তা সিরিয়া অমসুং টর্কিগী বোর্দর সেল কাপ্পগী মখোল মীয়াম্না তোয়না তাখি অমসুং ৱাশিংটনগী মায়কৈদগী দিল অদু অঙ্কারানা খুদম চনবা পাল্লিবা লম অমগী শরুক খরখক্তা চৎনগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বোর্দরদা লৈরিবা জর্নেলিষ্টশিংনা মেছিনগন অমদি অর্টিলরি সেলশিং কাপ্পগী মখোল তাবা ফংখিবগা লোয়ননা ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা সিরিয়াগী বোর্দরদা লৈরিবা লানবুং ওল্লবা সিটি রাস অল এইনগী নোংথক্তা মৈখু মপৈ মপৈ কাখৎপা উখি। অয়ুক থেংজিল্লকপা মতমদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোলশিং তাবা হন্থরকখি হায়রি।

অঙ্কারাদা টর্কিগী প্রসিদেন্ট তায়িপ ইর্দোগানগা ৱারী শান্নরবা মতুং শগোলশেল নুমিত্তা য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সনা লাউথোকখিবা ট্রুস অদুগী মখাদা নুমিৎ মঙানি লান লেপ্পদুনা কর্দশিংনা লুচিংবা এস দি এফ মিলিস্যা কাঙবুশিংবু টর্কিস ফোর্সশিংনা কন্ত্রোল তৌখ্রবা মফম অমদগী হন্দোকপা য়াহনগদৌরিবনি।

কর্দশিংনা লুচিংবা এস দি এফনা হায়রি মদুদি, টর্কিস ফোর্সশিংনা নুমিৎ মঙানিগী সীজফায়র অদু থুগায়বা হৌদুনা মীচম তাবা মফমশিংদা সেল কয়া কাপশিল্লকপা লেপত্রি। এয়র অমসুং অর্টিলরি এটেকশিং এস দি এফকী পোজিসনশিংদা অমদি রাস অল এইনগী সিভিলিয়ন টার্গেটশিংদা টার্গেট তৌদুনা লেপ্তুনা চথরি।

টর্কিনা হৌখিবা অহিংদগী সীজফায়র এগ্রীমেন্ট থুগায়দুনা টাউন অদুদা মখা তানা এটেক চথুরি হায়না এস দি এফকী স্পোক্সমেন মুষ্টাফ বালিনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি। প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্পকী ওর্দরনা য়ু এসকী ট্রুপশিং ৱিথদ্রো তৌখিবদগী সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা থোক্লক্লিবা লান অদুবু নেমথহন্নবগী পান্দমদা পুরকখিবা দিল শীংথারদুনা মীওই মিলিয়ন কয়াগী থৱায় কল্লগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# কার্টেলগী গনমেনশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং কোয়শিল্লগা দ্রগ লোর্দ অমগী মচানুপা থাদোকহনখ্রে



মেক্সিকো সিটি, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি) :
খুৎলায় মতিক চানা পায়বা ফাইটরশিংনা শগোলশেল নুমিত্তা মেক্সিকোগী সিটি অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং কোয়শিন্দুনা থন্বগা লোয়ননা মখোয়বু দ্রগ লোর্দ জোকিন এল চাপো গুজমেনগী মচানুপাশিংগী মনুংদা অমা নমদুনা থাদোকহনখ্রে।

দ্রগ লোর্দ অদুগী মচানুপাবু ফারুবদগী কুলিয়াকান সিটিদা নোংমৈগী লান মফম কয়াদা থোক্লকপগা লোয়ননা মীচমশিংনা মীপাইনদুনা মথোং মরম খঙদনা চেন্নবা হৌরকখিবা মতুংদা সিক্যুরিটি ওথোরিটিশিংনা এন চাপোগী মচানুপা অদুবু থাদোকখিবনি।

সিক্যুরিটি মিনিষ্টর দুরাজোনা ফোঙদোকখিবদা, ইহান হানবদা মেক্সিকো সিটিগী অৱাং নোংচুপ্লোমদা কিলোমিটর ১,২৩৫ রোম লাপ্না লৈবা কুলিয়াকান সিটিগী য়ুম অমদগী নেসনল গার্দকী মিলিটরাইজ পুলিস পর্সনেল কাঙবুশিংদা দ্রগ কার্টেলগী ফাইটরশিংনা এটেক তৌরকখি। য়ুম অদুদা চঙলুবা মতমদা মখোয়না ওভিদিও গুজমন হায়রিবা এন চাপো গুজমনগী মচানুপা অমা য়াওনা মীওই ৪ মনুংদা লৈরম্বা থেংনখি। গুজমনগী মচানুপা অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা দ্রগ ট্রাফিকিং তৌবগী মরাল শীবা লৈখ্রবনি।

# সিরিয়াগী অৱাং-নোংপোক থংবা লমদমদা মীচম ৩০০,০০০ লাঞ্জেন্নরে



দামাস্কস, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি) :
টর্কিনা মতম শাংনা কর্দিস ফোর্সশিংগী মায়োক্তা মিলিটরি কেম্প্যেন অমা চথগনি হায়না কিহন্দুনা লাকখিবা মতুং হৌখিবা ওক্তোবর ৯ দা সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা লান্দাবা হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবা মীচম ৩০০,০০০ ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে হায়না ৱার মোনিটর অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সিরিয়ন ওবজার্ভেটরি হ্যুমেন রাইটসকী মতুং ইন্না টর্কিনা শৌগৎপা লোকেল সিরিয়ন রেবেলশিংগী মতেংগা লোয়ননা চথুবা হৌখিবা টর্কিগী এটেক অদুদা মীচম ৭২ অমদি কর্দিস ফাইটর অমসুং টর্কিনা শৌগৎপা রেবেল ৪১৬ শিখ্রে। বৃটেনদা বেজ তৌবা ৱাটচদোগ অসিনা শগোলশেল নুমিত্তা ফোঙদোকখিবদা টর্কিস ফোর্সশিং অমসুং মীচং ওইরিবা সিরিয়ন রেবেলশিংনা মফম ৭০ রোম খুদুম চনখিবগা লোয়ননা নোর্থ ইষ্টর্ন প্রোভিন্স হসাকাহগী রাস অল-এইন সিটি পায়শিন্দুনা থমখ্রে।

টর্কিনা লৈবাক অসিগী খা থংবা বোর্দরদা ওপরেট তৌরিবা টেররিষ্ট অমসুং সেপরেটিষ্ট গ্রুপশিংগী থবক থৌওংশিং লেপহন্নবগী পান্দমদা সিরিয়াগী অৱাং থংবা লমদমদা ওপরেট তৌরিবা কর্দিস ফোর্সশিং তকথোক্লবা নৎত্রগা থুপচিন্নবগীদমক্তা হৌখিবা ওক্তোবর ৯ দা লোকেল রেবেল গ্রুপশিংগা লোয়ননা লান্দাবা হৌখিবনি।

টর্কিগী মিলিটরি কেম্প্যেন অসিদি অতোপ্পা মরু ওইবা পান্দম অমগী লৈবাক অসিনা য়েংশিন্দুনা লাকখিবা সিরিয়াগী রেফ্যুজি মিলিয়ন কয়া খুন্দা-লৈতাহনবা য়ানবা সিরিয়াগী অৱাং অমদি অৱাং নোংপোক লমদমদা সেফ জোন অমা শেম্বনি।

য়ু এসনা নোরদর্ন সিরিয়াদগী ট্রুপ ৱিথদ্রো তৌবা হৌখিবদগী টর্কিনা মিলিটরি কেম্প্যেন চথুবা হৌখিবগা লোয়ননা সিরিয়ন আর্মিসু টর্কিগী ওফেন্সিভ অদুগী মায়োক্তা য়ু এস ফোর্সশিংনা লৈরম্বা মফমশিংদা তপ্না তপ্না চঙশিনখি। রসিয়ানা ৱাতেমদুনা সিরিয়ন গভর্নমেন্ট অমসুং কর্দিস ফাইটরশিংগী মরক্তা পুরকখিবা দিল অমগী মখাদা কর্দশিংনা লুচিংবা সিরিয়ন দেমোক্রেটিক ফোর্সেস (এস দি এফ)না কন্ত্রোল তৌরম্বা এরিয়াশিং সিরিয়ন আর্মিনা পায়শিনবা হৌখিবনি।

# হোং কোংদা মাইখুম উপ্পা থিংবগী মায়োক্তা চৎকদৌরিবা প্রোটেষ্টকী খোঙচৎ সিটি পুলিসনা থিংখ্রে

হোং কোং, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি) :
হোং কোং গভর্নমেন্টনা সিটি অসিদা মাইখুম শীজিন্নবা থিংখিবগী মায়োক্তা সিটি অসিগী খ্বাইদগী চাওবা প্রো-দেমোক্রেসি গ্রুপ অমনা লাংলিবা প্রোটেষ্টকী খোঙচৎ অমা পুলিসনা থিংখ্রবা মতুংদা ইরাই নুমিৎকী লঞ্চ মতমদা মীওই ১০০০ হেনবনা সিটি অসিগী লম্বী কয়া থিংজিনখ্রে হায়রি।



সাউথ চাইনা মোর্নিংগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মীয়াম্না সেন্ট্রেল হোং কোং, সিমসা সুই, মোংকোক অমসুং কুন তোং দিষ্ট্রিক্টশিংগী লম্বীশিংদা থোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌখি। সেন্ট্রেল হোং কোংদা অমুবা মাইখুম উপ্পা প্রোটেষ্টর ৩০০ হেনবনা 'সিটিজনশিংনা মমায় খুমজিল্লি, কেরি লাম্না মথম্মোয় খুমজিল্লি' হায়না থাবা বেন্নর অমা পুদুনা রেলি চৎখি।

সিভিল হ্যুমেন রাইটস ফ্রন্টনা নোংমাইজিং নুমিত্তা সিটিগী লম্বীশিংদা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎপা য়াহন্নবা থাখিবা এপ্লিকেসন অমা পুলিসনা ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা রিজেক্ট তৌখি। এপ্লিকেসন অদুবু রিজেক্ট তৌখিবগী ৱারোলদা পুলিসনা মমাংগী প্রোটেষ্টশিংদা ইরাং কয়া থোরকপা লৈখি হায়না পনখি।

পুলিসকী কম্মিসন্নরনা হোং কোং সিটিদা পব্লিক সেফটি, পব্লিক ওর্দর কায়হন্দনা থন্বা অমদি অতৈ মীওইশিংগী রাইট অমসুং ফ্রীদমশিং ঙাক শেনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না লৌই হায়না লেটর অদুনা মখা তাখি। হৌখিবা থা অহুম অসিদসু মান্নবা মরমশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা পুলিসনা ফ্রন্ট অসিনা থাখিবা অতৈ এপ্লিকেসন অহুমসু রিজেক্ট তৌখ্রবনি। এপ্লিকেসন থাখিবা মতম খুদিংমক্তা পুলিসকী মায়কৈদগী অথিংবা থমখিবা লৈরবসু মীওই লিশিং কয়ানা হোং কোংগী মরু ওইবা লম্বীশিংদা প্রোটেষ্টকী খোঙচৎশিং চৎখিবনি।

# ঈ য়ুগী পোখোকশিংদা য়ু এসকী টারিফ চৎনবা হৌরগনি

ৱাশিংটন, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি) :
দোলর বিলিয়ন ৭.৫কী ওইগদবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন (ঈ য়ু) গী পোখোকশিংদা ইরাই নুমিৎকী নোংয়াইদগী য়ু এসকী টারিফশিং চৎনবা হৌরগনি।




ইফে ন্যুজকী রিপোর্ট মতুং ইন্না য়ু এস ট্রেদ রিপ্রজেন্টেটিভকী ওফিসনা অনৌবা দ্যুটিশিং অদু নোংয়াই মতুং সেকেন্দ ১ দগী চৎনবা হৌরগনি হায়বসি কনফার্ম তৌখি।

য়ুরোপকী এরোস্পেস কম্পনি এয়রবসতা সবসিদি পীবগী মতাংদা য়ু এসকা য়ুরোপকী কম্পনি অসিগা মতম শাংনা য়েৎনদুনা লাকখিবা ৱাফমগী মতাংদা ৱার্ল্ড ট্রেদ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু টি ও)না হৌখিবা ওক্তোবর ২দা য়ু এসপু শৌগত্তুনা রুলিং অমা পীখিবা মতুংদা য়ু এস ট্রেজরি দিপার্টমেন্টনা টারিফশিং অদু লাউথোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, য়ুরোপিয়ন এরোস্পেস কম্পনি এয়রবসতা সবসিদি পীরিবদু ইলিগেলনি হায়না ৱাশিংটন্না মতম শাংনা ক্লেম তৌদুনা লাকখি।

হান্না ফিভম শোক্লবা য়ু এস-ঈ য়ুগী লল্লোন ইতিক্কী মরীদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরিবা রুলিং অমদা দব্লিয়ু টি ওনা হায়খি মদুদি ৱাশিংটন্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা চহীগী ওইনা দোলর বিলিয়ন ৭.৫কী ওইগদবা পোখোকশিংদা টারিফশিং লৌদুনা লল্লোন ইতিক্কী অথিংবশিং থম্বা য়ারগনি। অমরোমদা, অমেরিকান এরোস্পেস কম্পনি বোইংদা সবসিদি পীবগা মরী লৈনবা মান্নবা কেস অমদা দব্লিয়ু টি ওগী রুলিং ঙাইরিবা ব্লোক অসিনসু মান্নবা টারিফশিং লৌরকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে।

# জোন্সন্না ব্রেক্সিট দিল শৌগৎনবা এম পিশিংদা তকশিনগদৌরি

লন্দন, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি) :
লাক্লিবা থাংজ নুমিত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা হাউস ওফ কম্মন্সকী মরু ওইবা ভোটকী মাঙওইননা য়ু কেগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরিস জোন্সন্না মহাক্কী ব্রেক্সিট দিল শৌগৎনবা ইরাই নুমিত্তা এম পিশিংদা তকশিনগদৌরি।



হাউস ওফ কম্মন্সতা থাংজ নুমিত্তা ভোট লৌনগদৌরিবদু ব্রেক্সিটকী দেদলাইন ওক্তোবর ৩১গী মাঙওইননা ঈ য়ুগা য়ানখিবা অনৌবা দিল অমা পার্লিয়ামেন্টপু এপ্রুভ তৌহন্নবগী জোন্সনগী অরোইবা খুদোংচাবা তানফম ওইগদৌরিবনি হায়না বি সী সীগী রিপোর্টনা হায়রি।

করিগুম্বা হাউসনা মহাক্কী দিল অদু রিজেক্ট তৌবা তারবদি এম পিশিংনা পাস তৌখিবা বেন্স এক্ট লেজিসলেসনগী মখাদা জোন্সন্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা ব্রেক্সিটকী মতম মথং চহী ২০২০ গী জন্যুৱারি ৩১ ফাওবা শাংদোক্লবা হায়জবগী তঙাই ফদবা ফিভম লাক্কদৌরিবনি।

করিগুম্বা দিল অদু পাস তৌবা তারবসু এম পি খরনদি ব্রেক্সিটকী মতম শাংদোক্লনবা তকশিল্লকপা য়াবগী ফিভমসু লৈরি। মসি ওক্তোবর ৩১ অমসুং হৌজিক্কী মরক্তা লেজিসলেসনগী ৱাফম খরানা য়ু কেবু শোয়বদগী দিল অমা য়াওদনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোকপগী ফিভম লাকহন্নবগীদমক্কি হায়রি।

শগোলশেল নুমিত্তা ব্রাসেলজতা য়ুরোপিয়ন লিদরশিংগী সম্মিট অমদা লাউথোকখিবা য়ু কে অমসুং ঈ য়ুগী মরক্তা পুরকখিবা দিল অদুবু খ্বাইদগী ফবা দিলনি হায়না শীংথাবগা লোয়ননা জোন্সন্না এম পিশিংদা ব্রেক্সিট মায় পাকহন্নবা আপিল তৌখি।

# সিরিয়াগী রেফ্যুজি কেম্পশিংদগী নুপী-অঙাংশিং লৌথোক্লোই

কেনবেরা, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি) :
মতম শাংনা লান নংদুনা লাক্লবা সিরিয়াদা মতম খরগী ওইনা সীজফায়র চৎনরিঙৈ মনুংদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা রেফ্যুজি কেম্পশিংদগী নুপী-অঙাংশিং লৌথোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না ওষ্ট্রেলিয়াগী হোম এফেয়রস মিনিষ্টর পিটর দুট্টননা ইরাই নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।



য়ু এস অমসুং টর্কিনা সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা নুমিৎ মঙানি সীজফায়র লৈহনবা অমসুং সেফ জোন অমা লীংবগী ৱাফম শগোলশেল নুমিত্তা য়ানখিবা মতুংদা দুট্টন্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। হৌজিকসু লমদম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী ট্রুপশিং থাবা হায়বসি অদুক্কী মতিক খুদোংথিনিংঙাই ওইরি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

রেফ্যুজি কেম্পশিং অদুদা লৈরিবা মীওই পুম্নমক নৎত্রবসু মখোয় খরদি ওষ্ট্রেলিয়াদা অমুক হল্লক্লগা মীশি মীনাগী থৌদোক কয়া থোকহনবা ঙম্বগী মতিক ময়াই চেনবা ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা দুট্টন্না সিরিয়াগী সীজফায়র অদুনা লমদম অদুদা মরা তপ্পা ফিভম লাক্লবগী লম্বী ফাৎলগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং সেভ দ চিল্ড্রেনগী এক্তিং সী য়ু মাট টিনক্লরনদি মতম খরগী ওইরবসু সীজফায়র চৎনরিবদু লমদম অদুদা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটিজনশিংবু ময়ুমদা পুরক্লবগী খুদোংচাবা অমনি হায়খি।

টিনক্লরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মতম খরা লান লেপ্পরিঙৈ মনুং অসিদা ওষ্ট্রেলিয়ন গভর্নমেন্টনা সিরিয়াগী দিটেন্সন কেম্পশিংদা লৈরিবা নুপী অমদি অঙাংশিং মখোয়গী তুংগী পুন্সিদা অশোয় অঙাম থোকহন্দনবগীদমক্তা ওষ্ট্রেলিয়দা অমুক পুরকপা য়াই। হন্দক্তা টর্কিনা লান্দাবদগী মীশি মীনা থোকপা হেনগৎলক্লিবা সিরিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদা লৈরিবা কেম্পশিং অদু অঙাংশিংনা লৈবদা খুদোংচাদ্রবা মালেমগী খ্বাইদগী ফত্তবা মফমশিংগী মনুং চল্লি হায়বসি মালেম পুম্বনা উনখ্রে হায়খি।

## য়ু এস এনর্জি সেক্রেটরি মফম থাদোকখ্রে

ৱাশিংটন, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি) :
প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রুম্প অমসুং য়ুক্রেনগী মরক্তা লৈখিবা ইন্টরেক্সনশিংদা লৌখিবা থৌদাংগী মতাংদা হাউস ইম্পীচমেন্ট ইনক্বাইরি কম্মিটিশিংগী মায়কৈদগী সপিনা অমা ইশ্যু তৌবা য়াওনা কুপ্না য়েংশিল্লকপা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা য়ু এসকী এনর্জি সেক্রেটরি রিক পেরিনা মহাক মফম থাদোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। শগোলশেল নুমিৎকী অহিংদা য়ুট্যুবতা থাগৎখিবা ভিদিও পোষ্ট অমদা পেরিনা মহাক চহী অসিগী অথেংবা শরুক্তা মফম থাদোক্লগনি হায়খি, তৌইগুম্বসুং চপ চাবা মতমদি পনখিদে।

## গোর্বাচেভনা ন্যুক্লিয়র ৱারী শানবা আপিল তৌখ্রে



মোস্কো, ওক্তোবর ১৮ (এজেন্সি) :
মালেম অসি খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা মিলিটরাইজ পোলিটিক্সকী মতম অমদা তপ্না তপ্না চঙশিল্লক্লি হায়রদুনা অরোইবা সোভিয়েট লিদর মিখাইল গোর্বাচেভনা ইরাই নুমিত্তা মোস্কো অমসুং ৱাশিংটন্দা পুন্না ফম্মিন্নদুনা অথুবা মতমদা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় কন্ত্রোল তৌনবগী ৱারী শান্নবা আপিল তৌখ্রে।

মতম অমগী য়ু এস প্রসিদেন্ট রোনাল্ড রিগানগা খুৎলায় কন্ত্রোল তৌবগী ট্রিটি কয়া খুৎয়েক পীনবগা লোয়ননা দিমোক্রেসিদা য়ুম্ফম ওইবা রিফোর্ম কয়া পুরক্তুনা গোর্বাচেভনা মালেমদা কোল্ড ৱার লেপহনবদা মতেং পাংখিবা গোর্বাচেভনা ৱাফম অসি ইজভেষ্টিয়া পাউচেদা ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, মহাক্না কুমজা ১৯৮৭ তা মতমদুগী য়ু এস প্রসিদেন্টকা খুৎয়েক পীনখিবা মরু ওইবা ন্যুক্লিয়র পেক অমা থা অনীগী মমাংদা চৎনবা লেপখ্রবনি। ইন্টরনেসনল লো খোঙ্গাওনবা অমসুং ৱার্ল্ড পোলিটিক্সপু মিলিটরাইজেসন তৌবা হায়বসি চুমদবা মায়োন অমনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF TRADE, COMMERCE & INDUSTRIES

NOTICE
Imphal, the 18th October 2019

No. P-383/TC&I/2019 : It is for information of all concerned that (i) those applicants who have submitted online applications for allotment of Manipur Sangai Festival-2019 but have not paid the stall fee/uploaded bank receipts for payment of stall fees; or (ii) those who have paid the fees but have not uploaded online applications are hereby permitted to make the necessary payment and upload the bank receipts or upload their online applications till 23-10-2019 (Wednesday).

Further, on successful uploading of the bank receipt, SMS will be generated in the registered mobile phone of the respective applicant.

Other terms and conditions remain unchanged.

Sd/- C. Arthur Worchuiyo
Director of Trade, Commerce & Industries,
Manipur.

HL-B/5753/19

CAS COACHING CENTRE
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE
CLASS XII & X
(2019 - 2020)
Classes Commencing from 15th Oct. 2019
Seats are Limited First Come First Served
SPECIAL FEATURES:
1. Chapterwise/Unitwise Authentic Study Materials.
2. Exam. Oreinted Test Series for Final Examination.
3. Probable Questions and Answers for 2020 Exam.
4. Special Fee Concession for CASIANS.
5. Vision for Toppers for 2020 Final Exam.
COHSEM
CBSE
BOSEM
Facility of:- # Morning Batch # Evening Batch
For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal
HL-B/5714/5-19oct.

OUR SHINING STARS



1st Position Holder
HSLC 2019 ( BOSEM)
BHUMIKA SHAMURAILATPAM



2nd Position Holder
HSLC 2019 ( BOSEM)
SOPHIYA ASEM

SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE 2019-2020
Class XII Sc
Start on 11-11-2019
Class X (BOSEM)
Start on 24-10-2019 (Evening Shift)
12-11-2019 (Morning Shift)
NEW FOUNDATION COURSE 2020
Class IX, X, XII Sc
START ON 12-12-2019
SUBJECTS :
Maths, S.S., M/M, English, Sc, Optional Maths, Phy, Chem, Bio, Eng.
Facilities : Van Service & Hostel ( Separated - Boys & Girls) Contact No. 8730999192
For Detail : Visit Smart Tutorial
HL-P/4196/11sept.-8nov.(alt.)